পূন্সি লৈপুনগী লাইশোন অমসুং লাই হরাওবগী শৈশকলোন নৈনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : মৈতৈ পূন্সি লৈপুনগী লাইশোন অমসুং লাই হরাওবা পরিংগী শৈশকলোনগী খন্ন-নৈনবা অমা ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙনা শিন্দুনা নোংপোকচিংঙুথোং মৈতৈলাইকোল থলো শিপি লোক সেলোই লংমাই চীংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা সনা কোনুংগী মাইবী অশুপ্পী ওইনাম ধোনি লৈমা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর উমং লাই হরাওবা গেষ্ট ফেকল্টি পেনা শংলাকপা নিংথৌজম বোরচান্দ, অমাই শংলাকপা ৱাঙ্খে পানা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী থৌনাওজম রতনকুমার, উমং লাই কনবা লূপ (উকল) গী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম জিল্লা ঙন্বা, জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম মনিতোন, ত্রেজরি হাওবিজম বিদ্যানন্দ, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি সোইবম পিবারেল, হান্নগী সোং এন্দ দ্রামা দিভিজন ইন্সত্রক্টর আর কে ইবেনু লৈমা, মৈতৈ ঈশৈ শৈশকপী সরাংথেম থরো ঙন্বী লৈমা, ৱাহেংবম ওংবী লিন্থোই লৈমা, খোঙজোম পর্ব শৈশকপী তোইজম অরুনা, চাকোই শিন্তাকপা শিন্তাকপী লাইশ্রম শান্তিকুমার, লৌরেম্বম সুমিলা, মৈতৈ ইনাৎ লাইনিং লাইশোনগী এলাংবম দারা, লাইরেঞ্জম জেত্তিন, ফৈরোইজম সঙ্গিতা চনু অমদি ইনাৎ লাইশোন চোংথাম বাবুনচিংবা মীওইশিংনা খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখি।

খন্ন-নৈনবা অসিদা লাই হরাওবগী থৌরম কয়াগী মতাংদা নৈনবগা লোয়ননা পেনা শঙলাকপা নিংথৌজম বোরচান্দনা হায়, হান্না পেনাগী শৈশকলোন অসি ৯ লৈরম্বদগী হৌজিক্তী ১৪ লৈরে। মৈতৈ পূন্সি লৈপুন হায়বসিগী শৈশক অসি অমখক্তদা ওইহনবা হায়বসিদা লাই হরাওবগী শৈশকশিংগী ৱারী কয়াদগী মচং ওইবশিং খনগৎলগা লেংশিন্দুনা ইথোক্লগা শকপা য়াবা শৈশক মৈতৈ ফুরুপকী লুহোংবা মশক লেপ্পবগী খন্ন-নৈনবা মীফমদা মীয়ামগী অপাম পামদা নৈনখি।

উকলগী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম মনিতোননা হায়, চিংঙু লাইনা মালেম অসি শেম-শাদুনা পুথোকপীরম্বা মরম্না মালেম পুম্নমক্কী হৌরকফমসি লাই হরাওবনা ওই হায়খি। অমাইবী অশুপ্পী ওইনা ধোনি লৈমনা ফোঙদোকখিবদা লাই হরাওবা হায়বসি তাইবং মীওইবগী হৌরকফমনি। মীগা লাইগা পুন্না তোৎনরম্মী। অদুবু মীওইবনা য়াম্না ফৎতবা ওইবদগী ইমা লৈমরেল শিদবীনা খাঙবা ঙল্লক্তবদগী তাইবং মীওইবগা তোৎন-তিন্নবা লৈমিন্নবা য়াহনখিদে।

ঙসি কোরৌ নোংলেন অসিদা থাবী চৈতৈদবা থাবা লানংদবা থৱানমিচাক মখোঙ তেক্তবা, পম্থৌগীসু কুমওন লাংওন ওইরকপা অসিনা ঙসিদগী লাংলিবা খোৎলিবা ময়ামসি লৈপাক মরা তপ্না পম্থৌনা শিল লাংবদা মাইকৈ ৪ শুংদাই ৮ লোইজি লোয়াদা লৈরিবা তাইবং শিন্থা পুরিবা পুম্নমক্তসু থৌজালবীয়ু। ঙসি নুমিৎ অসিদগী তাইবং মীনা হেল্লগা কুরাওফানা কোরৌ ফানা হেল্লগা মৈতৈ হায়বনা মীকোক থোংবা ওইরসি। পম্থৌনা শাফোংলকপসিদা লৈপাক্কী হেন্ন-হেন্না চাওখৎপা ওইরসনু। লাই ওইবা পম্থৌনা হায়, ঐখোয়না মী অমা ওইনা পোকপদা নুমিৎ কৌবা য়াদে, থাবল কৌবা য়াদে, পোকপা নুমিৎকী কুমজাগী থৌনি পাঙথোকপদা থৌজাল ফংই হায়খি।

গোপি অভিসারগী ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : গুরু অবুংহল দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর কৈশামথোং লোংজম লৈরক্পা শিন্দুনা গোপি অভিসারগী ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী থৌরম শিংজমৈ চিংঙামখা লৈময়োল আর্ট সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হান্নগী মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিগী সেক্রেটরি এস বিদেশ্বরনা হায়, জগোয়-ঈশৈদা ওইরবসু ঐ ঐনা পামজরিবা হিরমদা কখোকপা চংই। ওজা গুরুদা লাই গুরু খনবা ঙল্লবা, ইমা-ইপাগুম নুংশিবা ঙল্লবদি চংশিল্লিবা হিরম অদুদা মায় পাকপা ঙমগনি। ওজা গুরুদা থকশি খাসি নাইবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী তুংগী লম্বীদা মায় পাকপগী লম্বী শক্তম অমনি।

থৌরম মপু ওইখিবা গুরু অবুংহল দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী প্রসিদেন্ট কোঞ্জেংবম হেমচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়গী লাই হরাওবা হায়বসি লৈরমদ্রগদি ঐখোয়গী জগোয়-ঈশৈ লৈরম্লোই। জগোয় রাস হায়বসি মৈতৈগী জগোয়নি। ৱারীদি মপানগী ওইরগসু মৈতৈ জগোয়গী খুৎথেক ঙাক্তনি। মসিদি খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুনা জগোয় হায়বসিদা শন্দোক্না হায়বা ঙম্বা চংই। লাইরিক হৈবা চংই, গ্রামার য়াওনা ৱাহৈ ৱাতা ঙাঙবা হৈবা চংই হায়খি। থৌরম অসিদা মীদিয়া থিয়েটর ইন্সটিট্যুটকী প্রসিদেন্ট কে বিনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (আই ই দি য়ু সি ও) না শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মাস এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্লাই ইবুধৌ পুরৈরোম্বা শঙলেন্দা এন ই য়ু সি ও অমদি লম্লাই ষ্টুদেন্ট আইদেল ক্লবনা শিন্দুনা হুই-হৌদোং পুন্না ২০০, কোংবা খুনৌনা সাউথ ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট সেন্টরনা শিন্দুনা হুই হৌদোং পুন্না ৯৪, খানরোক্তা দিসেন্ট য়ুথ ক্লব খানরোক্তা হুই-হেদোং পুন্না ৮০ দা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকখি। প্রোগ্রাম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ইম্ফাল ইষ্ট, পোরোম্পাৎকী ডোক্তর অমদি ষ্টাফশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা অমুকোগী মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। অমুকোনা প্রোগ্রাম অসি লেপ্পুনা চথরকপগী পান্দমদি রেবিজ লায়নানা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙহল্লিবা অসিদগী কন্নবনি হায়রি।



[illegible]
NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEF
NEET/JEE/IIT

Our Students Shine again in JEE MAINS (Jan session) 2024 with Highest Score of 98.14%ile
15 out of 19 Students Score more than 80%ile
5 Students Score 90%ile and above.

Our Results in JEE MAINS and Advanced IIT in 2023

AYEKPAM LANKHONBA
98.18%ile (State Topper)
NIT Calicut

HAOBIJAM VIVEKANANDAGIRI
IIT Kanpur

NINGTHOUJAM AANGANBA
IIT Patna

REGISTRATION OPEN NOW
> Crash Course and Mock test Series for NEET
Commencing from 15th March 2024
> 50 days Special course for CUET UG 2024 commencing from 15th March 2024
> Achievers Batch for Class XII (NEET & JEE MAINS) from 1st April 2024

For more details contact :
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

HL-B/8593/2,4,6_Mrch_Alt.

Unique Education CBSE
[illegible]
Estd.2007
The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.

ADMISSION OPEN

Vacation Course for
NAVODAYA, SAINIK
& Outsiders CBSE IX ,X ,XI, XIISc.&Arts.

5-months Foundation for
CBSE IX & X

3-months Foundation for
CBSE / CoHSEM XI Sc.

5-months Foundation for
CBSE & CoHSEM XII Sc.

5th-April-2024

IX & X -- English, Maths, Science & S-Science
XI & XIISc.-Physics, Chemistry, Biology & Maths

Girls Hostel in the same block

Van service / Boys Hostel
Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express

HL-B/8647/15 to 31

য়ু এফ ওগী হোলিদে পিছ কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) না স্পোন্সর তৌদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা দি ফাইভ দে কলচরেল হোলিদে পিছ কেম্প লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী সি এ পি অমদি পি দি গী মিনিষ্টর লৈশাংথেম সুশিন্দ্রো, প্রোফেসর স্কোলর ইন সোসিয়েল সাইন্স, ষ্টেট এন্দ নেসনেল এৱার্দি দা. কৈশাম ভৈগ্যচন্দ্রনা অথোইবা লেংবীরকপা অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

মেম্বর বার কাউন্সিল ওফ মণিপুর এন্দ চিয়রমেন দেদিকেটেদ লিগেল সার্ভিসেস কাউন্সিল মণিপুর, নেসনেল এন্দ ইন্টরনেসনেল এৱার্দি খ্বাইরাকপম ইবোয়াইমা, রিটয়ার্দ কর্নেল লাইশ্রম লোকেন্দ্রো, তেলৌ চানা সৈজাং জি পিগী হান্নগী জিল্লা পরিষদ তেন্সুবম রতননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল ৱাই মৈরাবা, হোম সেক্রেটরি এল লোয়ুম্বা, ফাইনান্স সেক্রেটরি এল তাইরেন নচিংবা মরুওইবা মীওইশিংনা পিছ কেম্প লোইশিনবা অদুদা শরুক য়াখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible] / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম:



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায়বু নাওকোনবীরম্বা শগোলসেম বেদজিৎ সিংহ-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২৮/০৩/২০২৪ ইং, লমতাগী ১৮ নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা শ্রীগুরু কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্যা বিশরুপ দাস প্রেম্মা মঞ্জুরি হায়বা নাম ফংজরদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

তাং ০২/০৪/২০২৪ ইং, লমতাগী ২৩ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অষ্টি সঞ্জয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১০/০৪/২০২৪ ইং, শজিবুগী নিনি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চিড়া উশব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা সান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরুপ-মপাং অমদি শাগৈ-নাতৈ খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরি নাম শর্বন তৌবীরনবা খবরগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

থৌরম পরেং ঃ-
অয়ুক পুং ০৮.০০ : সঙ্কির্ত্তন হৌবা
অয়ুক পুং ০৯.০০ : ভেৎ কৎপা
অয়ুক পুং ১১.০০ থৌরম লোইশিনবা

পাউজেঞ্জরিবী ঃ-
শগোলসেম ওংবী ইবেনি দেবী (সহধর্ম্মীনি।
অথোকপম অৱাং লৈকায়, থৌবাল।

HL-P/10313/1 Apr.

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

1. Bihar Head Teacher Recruitment 2024 Apply Online (40247 Posts)
Bihar Head Teacher Recruitment 2024 Notification for 40,247 Vacancies in Bihar Primary Schools: The Bihar Public Service Commission (BPSC), Government of Bihar, invites online applications from eligible candidates in the state of Bihar for the position of Head Teachers in Primary Schools, under Advertisement No. 25/2024, Education Department, Government of Bihar. The online registration for BPSC Head Teacher Vacancy 2024 will be conducted through the official website onlinebpsc.bihar.gov.in or bpsc.bih.nic.in. The BPSC Head Teacher Vacancy 2024 selection on the basis of Written Examination.
* Eligible candidates must submit their applications online via the BPSC Online Registration Portal (**onlinebpsc.bihar.gov.in**) from 11th March 2024.
* The last date for the registration of online applications is **02/04/2024**. (Tuesday)

……

2. SSC JE Exam 2024, 968 Posts, Notification, Application Form
SSC JE Notification 2024 Pdf, Apply Online Link, Vacancy, Exam Date, Age Limit, Qualification and Full details available in the page. The Staff Selection Commission offers a great career opportunity for Fresher Engineering Graduates and Diploma Engineers for selection of Junior Engineers various Ministries, CWC, CPWD, Departments of Posts, MES, Farakka Barrage Project, BRO, CWPRS, Naval and NTRO Organizations of the Central Government of India. The SSC Junior Engineer posts are Group 'B' (Non-Gazetted), in Level-6 (Rs 35400-112400/-) of pay matrix of 7th Central Pay Commission.
The SSC will hold an open competitive computer based examination for recruitment of Junior Engineers (JE) posts in various Central Government Organization / Department Vacancies in 2024-25. The last date for registration of SSC Junior Engineer 2024 is **18th April 2024**.
* Eligible candidates are required to be submitted in online mode only at SSC Official website (**ssc.gov.in**).

……

3. DSSSB Advertisement No 06/ 2024 Apply Online | 414 Pharmacist, Nurse, Driver, Technician Posts
DSSSB Advertisement No.06/2024 Combined Examination for recruitment to the post of Lab Technician, Pharmacist, Junior Pharmacist, Draftsman Grade III, Store Keeper, Store Supervisor, Auxiliary Nurse Midwife, Assistant Sanitary Inspector, Driver, Staff Car Driver (Ordinary Grade), Driver (LMV) and Staff Car Driver positions in various departments. The DSSSC Vacancy Notice Advt No. 06/2024 online registration made through dsssbonline.nic.in from 21st March 2024 to **19th April 2024**.
* Eligible candidates can apply online through the DSSSB Online Portal (dsssbonline.nic.in)

……

4. UPPSC Recruitment 2024: 2535 Vacancies, Eligibility, Online Form, Notice
UPPSC Notification 2024 Free Job Alert for both Male and Female Indian Citizens. The UPPSC (Uttar Pradesh Public Service Commission) has released the Recruitment Notification for 2024. This notification is open to both fresher and experienced graduates, medical graduates, engineers, ITI, diploma holders, and candidates with a 12th pass qualification, offering positions in various government departments and services across the state of Uttar Pradesh.
Uttar Pradesh Public Service Commission (UPPSC) is hiring for 2535 positions in the Medical Officer Grade II, Prohibition and Social Uplift Officer, and Regional Tourism Officer/Publicity Officer roles. They're looking for eligible Indian citizens to apply online. You can register on the UPPSC official website (**uppsc.up.nic.in**) starting from March 15, 2024. The deadline for applying online is **April 16, 2024**.

……

5. RRB Technician Notification 2024 Apply Online link [9144 Posts]
RRB Technician Recruitment 2024 Notification Out, Apply online for 9144 vacancies, Registration starting from 9th March to 8th April 2024. The Government of India, Ministry of Railways, Railway Recruitment Boards (RRBs) has issued a suggestive Centralised Employment Notification (CEN) for Technician Vacancies across all Railways. On January 31, 2024, Indian Railways published a Tentative Timeline Notification for Technicians. According to the Official Notice, the RRB Technician Notification will be featured in Employment News Paper/ Rojgar Samachar in March 2024. The las date for submitting RRB Technician 2024 Online Applications is 8th April 2024. On this page, IndGovtJobs.in provides Free Job Alert of Railway Technician Official Notification Pdf, Eligibility, Age Limit, Salary, Selection Process, and instructions for Online Application.
* Eligible candidates who willing to apply for Railway Technician 2024 should apply online through any one of Railway Recruitment Board (RRBs) or RRB Technician Online Portal (**www.rrbapply.gov.in**) from 9th March 2024, and only one online application has to be submitted.
* **Last Date:** The closing date for the submission of the online application is **08/04/2024** (Monday) up to Midnight.

কুম চনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ২৫ দা ত্রিপুরাগী কামেশ্বর ধর্ম নগরদা লৈবা ইমা পান্থোইবী হরাওবগী থৌরম কুম চনবা ওইনা পাঙথোকখ্রে। চহী খুদিংগী লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি) ইম্ফাল অমদি ইমা পান্থোইবী থৌগল লূপ কামেশ্বর ত্রিপুরা অনীননা খুৎশম্ননা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি। অদুবু চহী অসিগী ওইনদি হৌখিবা চহীগী মে ৩ দগী ঙসি ফাওবা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা কুম চনবগী থৌরমতমক পাঙথোকপনি।

মপুং ওইনা এল এস টি বিগী অমাইবা লোয়শঙগী শঙলাকপা সলাম মনি লুৱাংনা ইরাৎ থৌনি তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা ত্রিপুরাগী মীওই কয়ামরুমনা শরুক য়াখি অমদি চহী অসিগী ওইনা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা অৱা অনা তারবশিংগী য়েংদুনা হরাও কুম্মৈগী থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লোই হায়না ইমা পান্থোইবী থৌগল লূপ কামেশ্বর ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট নাওরেম দিপকনা ফোঙদোকখি।

নুপী লীলারোইশিংগী ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা কৈরাও ৱিমেন্স কলচরেল সেন্টরনা শিন্দুনা থা অমা চুপ্পা চথরকখিবা নুপী লীলারোয়শিংগী ওইবা ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সেন্টর অসিনা পুথোকপা "খোইয়ুম লাইনি ঐদি" হায়না মিংথোনবা প্লে অমসু উৎখি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা কৈরাও গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী প্রধান কঙাবম চৌরজিৎ, কৈরাও সোসিয়েল প্রাইমারী স্কুলগী রিটয়ার্দ হেদ মাষ্টর এম ধঞ্জয়, ফিসরি দিপার্টমেন্টকী দেমোন্সত্রেটর পি ইবোচা অমদি অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়াইরিপোক্কী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল এল জদুমনিনা মরুওইবা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিংনা লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা নুপীশিং লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎখি।

CROSSWORD-4094



ACROSS
1. King in Camelot(6)
4. Geronimo's people(6)
8. Fold sewn or pressed into cloth(5)
9. Fighting man(7)
10. Married (anag)(7)
11. Fatuous(5)
12. Lackadaisical(9)
17. Thin crisp biscuit(5)
19. Kitchen appliance(7)
21. Precious stone(7)
22. Location(5)
23. Stinging plant(6)
24. Every seven days(6)

DOWN
1. Become visible(6)
2. Rising current of warm air(7)
3. Out-and-out(5)
5. Sounding pleased (like a cat)(7)
6. Porcelain(5)
7. Merited(6)
9. Justifiable(9)
13. Commotion(7)
14. Economise(3,4)
15. Scandinavian country(6)
16. Blood vessel(6)
18. Sumptuous meal(5)
20. iPod manufacturer(5)

Solution of 4155

W	A	S	P		E	C	S	T	A	T	I	C
E		T		A		E		I		R		O
T	R	O	T	T	E	R		N	E	A	R	S
H		P		T		I		G		M		Y
E	A	S	E	L		S	L	E	E	P	Y	
R				E		E				L		A
B	A	R	R	E	L		T	H	R	E	A	T
Y		E				A		A				T
	E	Q	U	A	L	S		M	A	F	I	A
E		U		D		S		P		A		C
C	H	I	C	O		I	C	E	R	I	N	K
H		R		R		S		R		T		E
O	M	E	L	E	T	T	E		C	H	A	R

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5454

				1		7		
							9	3
8			4		9	6		5
7	6				4	5		
	8						1	
		2	1				6	7
1		4	2		6			8
2	5							
		6		9				

Solution of 5453

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

1	9	5	3	2	8	6	4	7
2	3	8	4	7	6	5	1	9
6	7	4	5	1	9	3	8	2
5	8	3	9	6	1	7	2	4
9	2	1	7	4	3	8	5	6
4	6	7	8	5	2	9	3	1
8	1	9	2	3	7	4	6	5
3	5	6	1	9	4	2	7	8
7	4	2	6	8	5	1	9	3



[illegible]
ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা
পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা
য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম
ইন্দু লংনবা শেম শারম্মী।
[illegible]
মতম কুইনা ঙাইরবগী তুংদা নুমিৎ য়ুংবদা ইপুথৌ পাখংবনা ওনবা লাইরেন্দু চারক্লম্মী।
[illegible]
এ! অসিদা লৈরে ঙাসি, ইন্সি হেক্তা হল্লগে।
[illegible]